# কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা তং তাবা ফিভম লাকহন্নবা কো-ওপরেসন পীনবা ট্রাঞ্জিসন টিমগী চীফনা চাইনাদা তকশিনখ্রে



সিওল, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী):

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা তং তাবা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা চাইনানা কো ওপরেসন পীননবা ট্রাঞ্জিসন টিমগী চিয়ারমেন এহন সিওল-সুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবা সিওলদা বৈজিংগী টোপ এনভোইদা তকশিনখ্রে।

ট্রাঞ্জিসন টিমগী চিয়ারমেন এহন অমসুং এম্বেসেদর জিং হাইমিং ট্রাঞ্জিসন টিমগী ওফিসতা উন্নখি অমসুং মখোয়না লৈবাক অনীগী ওইবা মরীশিং খন্ন-নৈনখি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা লমদম অদুদা টেন্সন ৱাংখৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা মখোয়না উন্নদুনা খন্নখিবনি। প্রসিদেন্ট-ইলেক য়ুন সুক-য়িওলগী ট্রাঞ্জিসন কম্মিটিগী চিয়ারমেন এহন সিওল-সুনা হায়খি, মদুদি খ্বাইদগী লুনা লৌরিবশিংগী মনুংদা অমদি নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক্তা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল অমা টেষ্ট লোঞ্চ তৌখিবা অসিনি।

মসি পেনিন্সুলা অদুদা টেন্সন মখা তানা ৱাংলকখিগনি হায়বগী খুদম চাংদমশিংনি। কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা তং তাবা ফিভম অমা লাকহনবা হায়বসি সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনা অনীমক্কী লৈবাক্কী ওইবা অপাম্বশিং থুংহনবদা চাওনা মতেং ওইগনি হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা ঐখোয়না চাইনাগী মায়কৈদগী ওপরেসন মতিক চানা পীরকপদু পাম্মী।

চাইনিজ এম্বেসেদর জিংগী রেস্পোন্সকা মরী লৈননা ট্রাঞ্জিসন কম্মিটিগী স্পোক্স পার্সন সিন য়োং-হিয়োননা হায়খি, মদুদি এম্বেসেদরনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নোর্থ কোরিয়ানা পেন্দবা কয়া লৈরিবদু খঙহল্লকখি।

পাউমীশিং য়াওদনা ইংনা চিক্না পাঙথোকখিবা মীফম অদুগা মরী লৈননা মতুং তারকপদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি য়ুএসকা লৈনরিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক ফাওবা ৱারী শান্নদুনা লৈখায় তাবা ফিভম অমা লাকহনবা ঙমদনা লৈরি।

চাইনিজ এম্বেসেদর জিংগী মায়কৈদগী কোরিয়ন পেনিন্সুলাবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈতবা মফম ওইহনগদবনি, লমদম অসিদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মরা তপ্পা ফিভম লৈহনগদবনি অমসুং ইস্যু খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা লৈখায় তান্নগদবনি হায়বা চাইনাগী প্রিন্সিপল এক্সপ্লেন তৌখি।

চাইনানা য়ানিংদ্রবসু সাউথ কোরিয়াদা দিপ্লোই তৌরিবা য়ুএস এন্টি মিসাইল সিষ্টেম অমা ওইরিবা থাদকী ইস্যুগী মতাংদা মখোয় অনীনা খন্নখিবা লৈব্রা হায়না হংবদা সিননা হায়খি, মদুদি খন্নবা অদুদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা পনখিবা লৈতে।

তৌইগুম্বসুং থাদকী ৱাথোক লাকপদগী লমদম অসিগী মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা এন্টি-চাইনা অমসুং এন্টি-সাউথ কোরিয়া সেন্টিমেন্ট উরিবসি নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না এম্বেসেদর অসিনা ফোঙদোকখি অমসুং অসিগুম্বা ইস্যুশিং নীংথিনা মেনেজ তৌগদবনি হায়খি।

ট্রাঞ্জিসন টিমগী চিয়ারমেন এহনগা উন্নবা অসি নুংঙাই হায়না পল্লদুনা এম্বেসেদর অসিনা হায়খি, মদুদি চিয়ারমেন অসিগী মরমদা মহাক্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া মমাঙদা তাখ্রে। তুংদা লাক্কদবা কয়া খল্লগা লৈবাক অনীগী মরী অফবা মায় ওন্নবদা লাক্নবা হোৎনবা হায়বসি মরু ওই হায়বা এহনগী ৱাফম এম্বেসেদর অসিনা য়ানিংবা উৎখি অমসুং পান্দম অদু ফঙনবা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

জিংনা হায়খি, মদুদি চহী অসি সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নবা হৌখিবা চহী ৩০ শুবা কুমওন চহী ওইবনা ঐহাক্না লৈবাক অনীগী মরী মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা হেন্না ফগৎহন্ননবা চোকথবা নাইদনা হোৎনগনি।

# ‘য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী অনৌবা অথিংবশিংদা রসিয়াগী কোয়লা, জহাজশিংদা টার্গেট তৌরি’



ব্রসেলস, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী):

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না মোস্কোগী মায়োক্তা মঙাশুবা রাউন্দগী অথিংবশিং থম্নবা প্রপোজ তৌরি অমসুং অনৌবা অথিংবশিং অসিদা রসিয়াগী কোয়লা অমসুং জহাজশিংদা টার্গেট তৌরি হায়না য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা ভোন দেরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইসিগী প্রসিদেন্ট লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙ-দোকখিবদা প্রপোজ তৌরিবা মচিন তরুক লোংবা অথিংবশিং খন্নরগনি অমসুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইয়ুগী এম্বেসেদরশিংনা ফাইনেল সিল পীদুনা এপ্রুফ তৌগনি।

মমাঙদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না থমখিবা অথিংবশিং প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন, এমপিশিং অমসুং ওলিগার্দশিং য়াওনা রসিয়ন ইন্দিভিজুএল চা কয়াদা টার্গেট তৌখি।

অথিংবশিং অদুনা রসিয়াগী ফাইনান্সিএল অমসুং ইনর্জি সেক্তরশিংদসু টার্গেট তৌখি। ইয়ুগী লৈবাকশিংনা মতম শাংনা রসিয়াদগী পুশিল্লকপা থাউগী মপান তাংদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং চহী অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা রসিয়াগী গ্যাসকী মপান তাংবগী চাং শরুক অহুম থোকপগী অনী ফাওবা হন্থহন্নবা অমদি কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপপু রসিয়াগী ফোসিল ফ্যুএলশিং শীজিন্নদ্রবসু য়াহন্নবগী প্লান অমা পুথোক্লে। ভোন দের লেননা হায়খি, মদুদি অনৌবা থৌরাংশিং অদুদা চহী অমদা য়ুরো বিলিয়ন মরিগী কোয়লা পুশিল্লকপা থিংবা য়াওরি।

প্রপোজ তৌরিবা অথিংবশিং অদুদা রসিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা বেঙ্ক ভিটিবি য়াওনা রসিয়ন বেঙ্ক মরি মপুং ফানা অথিংবা থম্বসু য়াওরি। ষ্টেটমেন্ট অমদা ভোন দের লেননা হায়খি, মদুদি য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না ইয়ুগী হিথাংফমশিংদা চঙলক্লিবা রসিয়ন জহাজশিং অমদি রসিয়া অমসুং বেলারসকী রোদ ট্রান্সপোর্ট ওপরেটরশিংদা অথিংবা থম্নবসু হোৎনরি।

তৌইগুম্বসুং লৌউ শিংউগী পোথোকশিং অমসুং চিঞাক্কী পোথোকশিং, হ্যুমেনিটেরিয়ান মতেং অমদি ইনর্জিগী ওইনদি অথিংবশিং অসিদা কোমথোকপসু য়াওগনি।

ইয়ুনা য়ুরো বিলিয়ন তরাগী এদভান্স সেমি কন্দক্টরশিং অমসুং মেছিন্নরি এক্সপোর্ট তৌবদসু অথিংবা থম্নবা প্রপোজ তৌরি।

মসিগা লোয়ননা য়ুরো বিলিয়ন ৫.৫ কী ওইগদবা উ, সিমেন্ট, সিফুদ অমসুং অলকোহোল রসিয়াদগী ইম্পোর্ট তৌবদা থিংনবসু প্রপোজ তৌরি। রসিয়ন কম্পেনিশিং ইয়ুগী লৈবাকশিংদা কন্ট্রেক্টকীদমক অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াহল্লরোই হায়নসু ভোন দের লেন্না ফোঙদোকখি।

# অফঘানশিংগী পুন্সিদা লেন্দমাইনশিংনা মখা তানা অকিবা পোকহল্লি: ওফিসিএল



কাবুল, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী):

মালেমদা লেন্দমাইন কন্টামিনেসন খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অফঘানিষ্টানদা থা খুদিংগী মীওই ১২০ হেন্না লেন্দমাইনশিংনা মখা তানা শিহল্লি নত্ত্রগা শোইনাইহল্লি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ডে ফোর মাইন এৱার্নেস এন্দ এসিষ্টেন্টস ইন মাইন এক্সনকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ হ্যুমেনিটেরিয়ান এফেয়র্সকী ষ্টেট মিনিষ্ট্রিগী নুরুদ্দিন রিষ্টানখিলনা হায়খি, মদুদি লেন্দমাইনশিং অমদি লানদা শীজিন্নবদগী লৈহৌবা এক্সপ্লোশিবশিংনা থা খুদিংগী অফঘান ১২০ হেন্না শিহল্লি নত্ত্রগা শোইনাইহল্লি। নুমিৎ অসি চহী খুদিংগী এপ্রিল ৪ দা ওবজার্ব তৌরি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী দিরেক্তোরেট ওফ মাইন এক্সন কোওর্দিনেসনগী মকোক রুষ্টাখিলনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অখন্নবা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিনা ঐখোয়দা অফঘানিষ্টানদা পায়খৎকদৌরিবা মাইন ক্লিয়ারিং প্রোগ্রামগী মাঙওইননা উরিবা শীজিন্নবশিং অমসুং প্রোব্লেমশিং নৈনবা অমদি য়েংশিনবগী খুদোংচাবশিং পীরি।

অফঘান ক্যের টেক্কর গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিবু মাইনশিং ফ্রি ওইহন্নবগী থবক হেন্না খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎলি হায়নসু ওফিসিএল অসিনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মালেমগী মতেং য়াওদনা অফঘানিষ্টানবু মাইন ফ্রি ওইবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসিদি ওইথোক্লোই হায়নসু মহাক্না পনখি।

রষ্টমখিলনা হায়, অফঘান লানগী হৌখিবা চহী ৪০ গী মতমদা লৈবাক অসিদা মাইন মিলিয়ন কয়া ফুমখি। হৌখিবা চহী ৩০ অসিদা লৈবাক অসিগী লম স্কৱার কিমি ৩৩২৩ গী শরুক্তগী মাইন অমদি এক্সপ্লোসিব মিলিয়ন কয়া শেংদোকখ্রে।


অদুম ওইনমক অফঘান লমগী স্কৱার কিমি ৬০৬ পাক চাওবা লমদা হৌজিকসু লেন্দমাইনশিং ফুমদুনা লৈরি। ওফিসিএল অসিনা হায়খি, মদুদি চীংগী লৈবাক অসিবু মপুং ফানা মাইন ফ্রি ওইহনবদা চহী তরেৎতগী নিপান ফাওবা চঙবা য়াই। হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতগী হৌজিক ফাওবদা অফঘানিষ্টানগী মাইন এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা লৈবাক অসিগী প্রোভিন্স ৩৪ গী মনুংদা ২১ গী স্কৱার কিমি ২৬ পাক চাওবা লমদগী লেন্দমাইনশিং অমসুং এক্সপ্লোসিব ওর্দিনান্স লৌথোকপা ঙমখ্রে।

চৈরকসিদা অফঘানিষ্টানদা হ্যুমেনিটেরিয়ান কেস এসিষ্টেন্টস ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ৩২ অমসু পীরক্লে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অফঘান ক্যের টেক্কর গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী নেসনেল বেঙ্ক ডা অফঘানিষ্টান বেঙ্ককী ওফিসিএলশিংনা পল্লদুনা গভর্নমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, দোল্লর মিলিয়ন ৩২ গী ওইগদবা হ্যুমেনিটেরিয়ান এক্তকী ২০ শুবা পেকেজ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ৌরকখি অমসুং মদু অফঘানিষ্টান ইন্টরনেসনেল বেঙ্কতা দেলিভর তৌখি।

ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা হ্যুমেনিটেরিয়ান মতেং পীরক্লিবা অদুবু থাগৎলদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা এসিয়াগী মতম শাংনা লান নঙলক্লবা লৈবাক অসিদা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা মখা তানা অহেনবা হ্যুমেনিটেরিয়ান মতেং পীরক্নবা আপিল তৌখি। অফঘানিষ্টানগী অপূনবা মীশিং মিলিয়ন ৩৫ রোমগী মনুংদা অফঘান মিলিয়ন ২২ হেন্না চান থক্লবা পোৎলমশিং ফঙদবগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্নদুনা লৈরিবনি।

# য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা রসিয়ন দিপ্লোমেট কয়া তান্থোকখ্রে



রোম, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী):

নেসনেল সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা মরমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা রসিয়ন দিপ্লোমেট ৩০ তান্থোক্লে হায়না ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, অতৈ য়ুরোপিয়ন অমসুং এটলান্টিক পার্টনরশিংগী ফিরেপকা চান্ননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি নেসনেল সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা মরমশিংদগী মথৌ তারকপনি।

রোমানিয়ানসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ন দিপ্লোমেট তরা তান্থোক্নবা ৱারেপ লৌখি। কুমজা ১৯৬১ গী ভিএনা কনভেন্সন ওন দিপ্লোমেটিক রিলেসন্সকী প্রোভিজনশিংগা তাইওন্নবা থবকশিং তৌরম্বগীদমক্তা বুচারেসতা লৈরিবা রসিয়ান ফেদরেসনগী এম্বেসিদা থবক তৌবা মীওই তরা রোমানিয়া থাদোক্তুনা হনখিনবা খঙহনখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা চেরোল অমদা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা পোর্তুগালনসু লিসবোনদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিগী এমপ্লোয়ি তরা তান্থোক্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি এমপ্লোয়িশিং অসি লৈবাক অসিদা মখা তানা লৈবদা মতিক চাদ্রে। অদুনা মখোয় চয়োল অনীগী মনুংদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎকদবনি।

পোর্তুগিস গভর্নমেন্টনা ৱারেপ অদু রসিয়ন এম্বেসেদরদা খঙহনখি। স্পেননসু মথংগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা রসিয়ন দিপ্লোমেট ২৭ তান্থোক্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না স্পেনিস ফোরেন মিনিষ্টর জোস মেন্যুএল অন্টরাসনা ফোঙদোকখ্রে।

কায়হৌরুবা তৌদনা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা অমদি য়ুক্রেনগী মফম কয়াদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা সিভিলিয়ন সাইটশিংদা অতম্ননা টার্গেট তৌদুনা অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনা কয়া মীনুংশি অমত্তা চেন্দবা মওংদা থোকহনখিববু য়ানিংদবা উৎলদুনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংনা মখোয়গী লমশিংদা লৈরিবা রসিয়ন দিপ্লোমেটশিং তান্থোক্নবা ৱারেপ লৌনরকখিবনি।

# শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রিজাইন তৌ য়াদ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী):

চয়োল অমা চুপ্পা শ্রীলঙ্কা শীন থুংনা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌরবসু অমদি পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি লৈত্রবসু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা লৈঙাক্কী পৱার থাদোকউ হায়বা য়াদনা লৈরি।

প্রসিদেন্টগী পার্টিগী চীফ হ্বিপ অমসুং অমুক হন্না এপোইন্ট তৌখিবা হায়ৰে মিনিষ্টর জোনষ্টন ফর্নোন্দোনা পার্লিয়ামেন্টতা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্টনা ফম থাদোকপা তৌরোই। তৌইগুম্বসুং মথোং মরম খঙদনা ইরাং হৌরিবশিং মায়োক্নগনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্টদা মীওই মিলিয়ন ৬.৯ গী মেন্দেট শিন্নরি। গভর্নমেন্ট অমা ওইনা প্রসিদেন্টনা রিজাইন তৌরোই হায়বসি ঐখোয়না ময়েক শেংনা খঙহনবা পাম্মী।

প্রসিদেন্টনা রিজাইন তৌরবদি ইথৎ লৈবাক অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ক্রাইসিস অসি সোল্ব তৌবা য়াগনি হায়বা ওপোজিসনগী ৱাফমগী পাউখুম ওইনা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। প্রসিদেন্ট রিজাইন তৌবা তারবদি ঐখোয়না পার্লিয়ামেন্টদগী প্রসিদেন্ট অমা এপোইন্ট তৌবা য়াই হায়না লক্সমন ক্রিলানা স্পিকরদা হায়খি

# রসিয়ানা শাবা খুৎলায়শিং য়ুক্রেনদা পীবগী ৱাফম য়াখিদ্রে


নিকোসিয়া, এপ্রিল ৬ (এজেন্সী):

রসিয়ানা শাবা খুৎলায়শিং য়ুক্রেনদা থাগদবনি হায়বা য়ুএসকী সজেসন অসি য়াবা ঙল্লোই হায়না সাইপ্রসকী দিফেন্স মিনিষ্টর চরালম্বোস পেট্রাইদসনা রসিয়াদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক সাইপ্রসতা লৈরিবা রসিয়ানা শাবা খুৎলায় পুন্নমক নত্ত্রগা খুৎলায়শিং অদুগী শরুক খরা য়ুক্রেনদা ট্রান্সফর তৌবগী ৱাফম য়ানিংগদ্রা হায়না সাইপ্রসকী গভর্নমেন্টদা য়ুএসকী ওফিসিএল খরনা হংখিবগা মরী লৈননা পেট্রাইদনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।


ꯊꯥꯒꯠꯄ / খোঙ য়াম্না তোয়না, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হাম্নিংলগতা লৈবা, ওইগী অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংদবা, অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা তারগদি হকচাং চোকথ-ৱান্থবা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি খোঙ হাম্নিংলগতা লৈবা, ওইগী পূকচেপ নাবা, ওইগী পূকচেপ চক-চক থিল্লকপা,



অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খোৎলুরগনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, খোৎপা অদুদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু তৎপা, ওইগী অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা অদুগা ঈ তাখিবা অদু অমুক ফখিবা, শা-ঙা চাবা তারগদি ঈ তাবা অদু অমুক হৌরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, কময়া অনীমক নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ঈশিং চৎপা কান্দা শাবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **S. Indira Devi**
Kakching

HL-B/7498/7



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 69/SDC/IW-L/2022**

1. Kshetrimayum Anand Singh, S/o. Ksh. Sarat Singh of Singjamei Wangma Kshetri Leikai
2. Pentan Kshetri, S/o. -do- of -do- - Petitioners

-VS-

Late Kshetrimayum Birchandra Singh, S/o. (L) Sengoishang of Singjamei Kshetri Leikai - OP/Party

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**

05/04/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার ক্ষেত্রিময়ুম বিরচন্দ্র সিংহ পীতা মৃত শেংগোইশং সিংহ সাং শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইকী মীংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৫১-অখামগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৬ দাগ নং ১৫ এরিয়া ২.৪৪০১ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/2177/7



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. : Mut. Case No. 147 of 2022**

Soibam Akashini Devi, W/o. (L) Tomba Singh of Ningombam Mayai Leikai

-Vs-

(Late) Soibam Tomba Singh, S/o. (L) Thambou Singh of Ningombam Mayai Leikai

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 5th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 4-Ningombam পাট্টা নং ....... (অরিবা) 410 (অনৌবা)গী হাল ডাগ নং ....... (অরিবা) 1053 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.19000 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 13/04/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2181/7



राष्ट्रीय परीक्षा एजेंसी
**National Testing Agency**
Excellence in Assessment

(उच्चतर शिक्षा विभाग, शिक्षा मंत्रालय, भारत सरकार के तहत एक स्वायत्त संगठन)
(An Autonomous Organization under the Department of Higher Educ
Ministry of Education, Government of India)

সত্যমেব জয়তে

**পব্লিক নোটিস**

**তারিখ : এপ্রিল ৬, ২০২২**

**নেসনেল ইলিজিবিলিটি-কম-এন্ট্রান্স টেষ্ট [এনইইটি(য়ুজি)]-২০২২ গী ওনলাইন এপ্লিকেসন ফোর্ম কৌজরি**

ইন্দিয়াগী মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা অন্দর গ্রেজুয়েট মেদিকেল কোর্সশিং তম্নবগী এদমিসন তৌনবা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এনটিএ) না এনইইটি (য়ুজি) -২০২২ গীদমক ওনলাইন এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। নেসনেল মেদিকেল কম্মিসন এক্ট, ২০১৯ গী সেক্সন ১৪ গী মতুং ইন্না এনইইটি (য়ুজি) অসি হৌজিক চৎনরিবা অতৈ লোশিংনা গোভর্ন তৌবশিং য়াওনা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন পুন্নমক্তা অন্দর গ্রেজুয়েট মেদিকেল এদুকেসন তম্নবা এদমিসন তৌনবগীদমক কম্মন অমসুং য়ুনিফোর্ম নেসনেল ইলিজিবিলিটি-কম-এন্ট্রান্স টেষ্ট (এনইইটি) অমা ওইনা কন্দক্ট তৌগনি।

এনইইটি (য়ুজি)-২০২২ অসি **লোন ১৩** হায়বদি ইংলিস, হিন্দি, অসামিস, বেঙ্গলি, গুজারাটি, কান্নাড়া, মলায়ালম, মরাথি, উড়িয়া, পঞ্জাবি, তামিল, টেলুগু অমসুং উর্দুদা কন্দক্ট তৌবনি।

এন্ট্রান্স টেষ্ট অসিদা **ফিজিক্স, কেমেষ্ট্রি অমসুং বাইওলোজি (বোটানি অমসুং জুলোজি)** দগী **মল্টিপল চোইস কোসন** ২০০ (অচুম্বা পাউখুম অমা য়াওবা ওপসন মরি) য়াওগনি। সবজেক্ট খুদিংমক্কী কোসন ৫০ সেক্সন অনী (এ অমসুং বি) থোক্না খায়দোক্কনি। একজামিনেসনগী সেদ্যুল মখাদা পীরি:

| | |
|---|---|
| **এপ্লিকেসন ফোর্ম ওনলাইন সবমিসন তৌবা** | **এপ্রিল ৬ তগী মে ৬ ২০২২ (পুং ১১:৫০ পিএম ফাওবা)** |
| **এপ্লিকেসন ফি ট্রাঞ্জেক্সনগী অরোইবা তারিখ** | **মে ৭ ২০২২ (পুং ১১:৫০ পিএম ফাওবা)** |
| **একজাম সেন্টরশিং লাউথোকপা** | **ৱেবসাইটতা কোন্না খঙহল্লক্কনি** |
| **এনটিএ ৱেবসাইটতগী এদমিট কার্দশিং দাউনলোদ তৌবা** | **ৱেবসাইটতা কোন্না খঙহল্লক্কনি** |
| **একজামিনেসনগী তারিখ** | **জুলাই ১৭, ২০২২ (নোংমাইজিং)** |
| **একজামিনেসনগী মতম** | **মিনিট ২০০ (পুং ৩ মিনিট ২০)** |
| **একজামিনেসনগী পুংফম** | **২:০০ পিএম দগী ৫:২০ পিএম (আইএসটি)** |

কেন্দিদেটশিংনা এনইইটি (য়ুজি)-২০২২ গীদমক ৱেবসাইট https://neet.nta.nic.in/ কী খুথাংদা **ওনলাইন** মোদ খক্তদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

এনটিএনা রেজিষ্টর তৌবা মোবাইল নম্বর খক্তদা এসএমএস নত্ত্রগা রেজিষ্টর তৌবা ই-মেল এদ্রেসতা ই-মেল থাদুনা ইনফোর্মেসন/কম্যুনিকেসন পুন্নমক খঙহল্লক্কদবা ওইবনা কেন্দিদেটশিংনা ওনলাইন এপ্লিকেসন ফোর্মদা পীরিবা ই-মেল এদ্রেস অমসুং মোবাইল নম্বর অদু মখোয় মশাগী নত্ত্রগা মমা-মপাশিং/অহল লমনশিংগী শোয়দনা ওইহনগদবনি।

সিলেবস, একজামিনেসনগী পেটর্ন, এপিয়র্দ এদমিসন তৌনবগী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া, চহী, রিজার্বেসন, একজামিনেসন ফি, একজামিনেসন সেন্টর ওইগদবা সিটিশিং অসিনচিংবগী অকুপ্পা ইনফোর্মেসন য়াওবা ইনফোর্মেসন বুলেটিন অদু ৱেবসাইট https://neet.nta.nic.in/ দা ফঙগনি।

মখা তাবা ক্লারিফিকেসনগীদমক কেন্দিদেটশিংনা ০১১-৪০৭৫৯০০০/০১১-৬৯২২৭৭০০ দা কন্টেক্ট তৌবসু য়াই নত্ত্রগা neet@nta.ac.in দা ই-মেল থারকপসু য়াই।

**(ডা. সধানা পরাসার)**
**সেনিয়র দিরেক্তর (একজামস)**

davp 21354/12/0002/2223



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 118/SDC/SLG/IE of 2022**

Parties :- 1. Sagolsem Paka Singh, S/o. (L) Birchandra Singh of Khewa Company (1.02 acre on the East)
2. Alma Sagolsem, W/o. Gunindro Ngangom of Singjamei Chirom Leikai (.62 acre on the West) -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar :- Sagolsem Birchandra Singh, S/o. Abung Singh of Khewa -Opposite Parties

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**

Sagolmang, the 06/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 15-Sagolmang পাট্টা নং 10 (অরিবা) 132 (অনৌবা), দাগ নং 1133 মোট এরিয়া 1.64 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপ্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপ্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/2188/7



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 120/SDC/SLG/IE of 2022 Dated : 06/04/2022**

Chabungbam Promoda Devi, W/o. Karam Bijoychandra Singh of Kwakeithel Mayaikoibi Chabungbam Leirak -Petitioner

-Vs-

Late Chabungbam Ibohal Singh, S/o. Late Gourachand Singh of Mayaikoibi -Opposite Party

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**

Sagolmang, Dated 6th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ও: তহশিল খুল নং 23-Keibi Kumuda পাট্টা নং 119 (অরিবা) 267 (অনৌবা), দাগ নং 2295, মোট এরিয়া 2.78 একর চাওবা Phourel লৌফমগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা Applicant গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/2189/7